আর কে ইমো, য়ামথোং দিসক্কালিফায় তৌবীনবা...

*লামায় ১গী মখা...*এম এল এ অনী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা দিসক্কালিফায় তৌবীননবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরদা পিটিসনশিং অদু এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি সোইবম জিতেননা পিটিস্নর ওইদুনা পীশিনখিবনি।

পিটিসনশিং অদু ঙসি পীশিনখ্রবা তুংদা এম সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি সোইবম জিতেননা পাউমীশিংদা হায়খি, এম এল এ য়ামথোং হাওকিপ অমসুং এম এল এ আর কে ইমোবু এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফায় তৌবীনবগীদমক স্পিকরগী ত্রিব্যুনেলগী প্রিসাইদিংসু ওইরিবা স্পিকর ৰাই খেমচান্দদা পিটিসনশিং অদু পীশিন্নবা হোৎনবদা মহাক মশা লৈরমদবদগী মহাক্কী প্রাইভেট সেক্রেটরিগী খুত্থাংদা পিটিসনশিং অদু পীশিনখি। কনাগুম্বা এম এল এ অমনা মশাগী পার্টি থাদোক্তুনা চৎলবদি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুলগী পেরা ২(১)(এ)গী প্রোভিজনগী মতুং ইন্না এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফায় তৌগদবনি হায়না ময়েক শেংনা পল্লি। কন্সটিট্যুসনবু ইকায় খুম্নদুনা লোগী ওইবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎলবদি অতেনবা মতমদা শুংশোয় শোয়দনা অচুম্বা ৰায়েল অমা স্পিকরনা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী হায়খি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	83.994711
US Dollar	74.515991
British Pound	100.064205
Australian Dollar	54.024943
Chinese Yuan Renminbi	11.680221
Japanese Yen	0.652715
Malaysian Ringgit	17.810856
Singapore Dollar	54.702210
South Korean Won	0.062740
Saudi Arabian Riyal	19.870931
Thai Baht	2.262635

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48705.00
Mumbai	–	Rs	49680.00
Delhi	–	Rs	49530.00
Kolkata	–	Rs	49930.00

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available :10-11-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one.
Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.

KHORIPHABA NAMBOL
Bk. Uptodate
Timing:6am to 10am
Home delivery no:936647 1778/8974087390/87876 32782

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 18-11-21
B/upto - 22-11-21
Stock 306
7am to 10am

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING upto 28-09-2021
VALID FROM 22-09-2021
STK 306
TIME 8:00 -11:00
HOME DELIVERY DATE 23-11-2021
CONTACT NO-7005695308 6009772483

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 02/11/2021
BOOKING upto:03/11/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30am to 11:00am

HIYANGTHANG INDANE.
Booking 20-10-21.
Valid.19-10-21.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971.

KHUMBONG INDANE
Booking upto 13-11-21
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 11.am

TDK GAS
BK. UPTO 19/09/21.
VF.18/09/21.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00pm

কোর্টনা সী বি আইগী ক্লোজর রিপোর্ট রিজেক্ট তৌখ্রে....

লামায় ১গী মখা... কম্মান্দো অমসুং এ আরগী ওফিসর অমদি পর্সনেল ১৬কী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০২ অমসুং ৩৪গী মখাদা কোগনিজেন্স লৌখিবগা লোয়ননা চেন্নরিবা ওফিসর অমসুং পর্সনেল পুম্নমক এক্স্যুজ ওইহনখিবগা লোয়ননা সী বি আইদা এক্স্যুজশিং অসিগী প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন লৌবগা লোয়ননা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবা খঙহনখ্রে।

ওর্দর অসি ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৰাই সোমোরজিৎকী কোর্টনা পীখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইন্সপেক্টর পি সঞ্জয়না রিপোর্ট তৌরকপদগী নুমিৎ তুমক্তদা লমশাং পি এসনা কেস অমা লৌখৎখিবনি। অদুবু ইভফম অমসুং ঐচ আর এনা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল রিট পিটিসনদা থৌদোক অসিসু য়াওবদগী এপেক্স কোর্টনা পীরকপা দিরেক্সনগী মতুংইন্না কেস অসি সী বি আইনা অমুক হন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরকখিবনি।

অদুগা ইনভেষ্টিগেসন লোইশিল্লে হায়দুনা কোর্ট অসিদা ফাইনেল রিপোর্ট থাগৎলকপদা ক্লোজর রিপোর্ট ওইনা সবমিট তৌরকখিবনি। অদুবু খুৎ থোক্লবনি হায়দুনা হাৎতোকখ্রবা ৰাহেংবম জয়েন্তগী লোয়নবী ইনাকখুনবী অমসুং ইভফমনা সী বি আইগী ক্লোজর রিপোর্ট অদুবু চেলেঞ্জ তৌরক্তুনা রিজেক্ট তৌবীনবা হায়জরকখিবা অমসুং মখা তানা থিজিনহনবীনবা ফাইল তৌরকখিবা প্রোটেষ্ট পিটিসন অমগী মতুংইন্না কোর্ট অসিনা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ১৫৪ ওফ ২০২০ লৌখৎখিবনি।কোর্টনা কেস অসিগী ৰায়েল চত্থরবা মতুংদা ঙসি ওর্দর লাউথোক্তুনা সী বি আইগী ক্লোজর রিপোর্ট অদু রিজেক্ট তৌরে, থৌদোকসিদা চেন্নরিবা পর্সনেল ১৬ কেস অসিগী এক্স্যুজশিং ওইনা লৌরে অমসুং মখোয়গী মথক্তা কোগনিজেন্স লৌরে হায়খিবনি।

প্রোটেষ্ট পিটিসন অসিগী হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা কোর্টনা থমখিবা ওপিনিয়ন অমসুং ওবজার্ভেসনশিংগী মনুংদা য়াওরিবা ৰাফমনা থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মসিগী ক্রাইমশিং রিকন্সত্রক্সনদা এনকাউন্টর তৌরিবা টিমনা হায়রকপা পোজিসন, রেঞ্জ, দিরেক্সন অমসুং এঙ্গলগা লৈখিদ্রবা জয়েন্তগী হকচাংদা পানবা অমসুং ফাওদোক্তুনা চৎখিবা নোংমৈ মরূশিংগা চানদে, লৈখিদ্রবা মীওই অসিনা কম্মান্দো অমসুং এ আর পর্সনেলশিংদগী নাম্থোক্লবা মহাক্কী টু হুইলর মোটোর সাইকল অদু য়ু টর্ন তৌরগা হোৎনখি হায়রগদি মহাক্কী মশাদা পাল্লনল্লিবা নোংমৈ মরূশিং অদু লোইনমক তুংলোমদগী পানগদবনি। অদুবু লৈখিদ্রবগী হকচাংদা পাল্লম্বা নোংমৈ মরূশিংগী মনুংদা নম্বর ১ অমসুং ৭শুবা নোংমৈ মরূশিংদি জয়েন্তগী মাঙ থংবা মায়কৈরোমদা পাল্লমখি হায়বসিনি। অদুগা মোটোর সাইকল থৌরিবা মীওই অমনা মঙোন্দা অপূনবা নোংমৈ মরূ ৮৩ কাপ্পগী মনুংদা নোংমৈ মরূ ৬ পান্দুনা শিরগা মহাক্লা থৌরিবা গাড়ীদনা নোংমৈ মরূ অমা ফাওবা পাল্লমদে হায়বা ওবজার্ভেসনসু কোর্টনা থমখি। লোয়ননা সেন্ত্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি, দেল্লীগী এক্সপর্ট টিমগী ওবজার্ভেসন মতুংইন্না তান্নরকপদগী টু হুইলর তোংদুনা নাম্থোক্লবা হোৎনরিবা মীওইনা নোংমৈ কাপ্পল্কনি হায়বসিসু ওইথোক্লোইদবনি হায়রি।

অদুগা লৈখিদ্রবগী খুৎ য়েৎকী খুৎনাওবী, খুৎয়ায় অমসুং খুৎনিংথৌদা শীবা সনাগী খুদোপশিং অমসুং মখ্বাংদা জন্ত্র য়াওরমখি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্টকী এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট এম শান্তবিরগী ইনক্বেষ্ট রিপোর্টতা পল্লগসু হায়রিবা পোৎলমশিং অসি কেস অসিগী অহানবা আই ওনা সিজ তৌরমদে। মরম অসিনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসিগীদি এক্সপর্ট ওপিনিয়ন লৌবগী তঙাইফদবা লৈতব্রা হায়বসিনি। অদুগা লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী মশাদা শেৎলম-চারম্বা ফিরোলশিংগী মতাংদা রিসিপ্ট মেমো শেম্লমদে। করিগুম্বা থৌদোক থোকফমদগী সিজ তৌবা ফিরোলশিং অদুদা ঈ খজিক্তং তৈবা ওইরগসু মদুবু ফোরেন্সিক এগজামিনেসন তৌদনবগী অচুম্বা মরম ওইবা য়ারোই হায়বগা লোয়ননা করিগুম্বা ফিরোলশিং অদুদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী ফিঙ্গর প্রিন্ট ফংলগদি লৈখিদ্রবা মীওই অদু কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা নুমিৎতুগী অয়ুক পুং ৯ লোম তারকপদা ফাখিবনি অদুগা নুংথিল পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা হাৎখিবনি হায়বসি খঙগদৌরিবনি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা অকায় অতোয় থোক্লবা বুলেট জেকেট ২ অমসুং ফীভম কায়রগা প্রোজেক্টাইল ১ অমদি স্কালফ হেয়রনচিংবশিং অদু কেস অসিগী রেকোর্দতা য়াওরমদবদা নত্তনা লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মালখানাদসু লৈরমখিদে। থৌওং অসি পুলিস ষ্টেসন হোংদোক হোংজিন তৌবদা মিসপ্লেস তৌখিবননি হায়বসি মরম চাদে হায়বা ওবজার্ভেসনসু থমখি। কোর্টনা কোগনিজেন্স লৌরবা অতে পর্সনেলশিংদি কম্মান্দোগী জি খমজামিন, এম খাইবিয়াকলুন, সী ঐচ দিপক, কে ব্রোজেন, কে এস ঐচ সুন্দর, সব ইন্সপেক্টর টি তরুনকুমার, চবুংবম সনাচাওবা, এলাংবম অবুং, য়েংখোম কেশোরজিৎ অমসুং এ আরগী মায়কৈদগীনা হবিলদার এল কামিনি, রাইফলমেনশিংদা এ বিমোল, সাগর রুটকুতে, কেদোখো য়োসু অমসুং মেজর বিজয় সিংহ ধনকনি।

হায় কোর্টনা থা ১গী মনুংদা রেগ্যুলরাইজেসন তৌনবা খঙহনখ্রে...

লামায় ১গী মখা... সলুংফম খাংয়েংবমদগী তোংব্রম অমুজাই(৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি বির, শগোলবন্দ তেরা য়াম্বেম লৈরক্তগী আর কে ইবোমচা (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা আর কে লেম্বীসনা, থৌবাল কৈথেলদগী উসম কমল (৫১) অপোকপা লৈখিদ্রবা য়ু মোমোন, য়ৌরবুং ময়ায় লৈকায়দগী এ বিজেনকুমার (৪৭) অপোকপা এ জয়, খোঙহাম্পাৎ অৰাং লৈকায়দগী কে ঐচ মেমিতা (৪৩) অপোকপা কে ঐচ নন্দকিশোর, ত্রোংলাওবীদগী মুতুম মনিমোহোন (৫১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম বচাও, কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দগী মোইরাংথেম ইবোয়াইবমা (৪৭) অপোকপা এম লালমনি অমসুং হৈরোক পার্ট টু কৈথেলদগী থোকচোম ধনবির (৪৮) অপোকপা টি ঐচ ইবোতোম্বীনি।

মখোয়গী পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন - এস), প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং এদ্যুকেসন স্কুলসকী দিরেক্টরনি। অদুগা অনীশুবা কেসনা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ২৬ ওফ ২০১৮নি। কেস অসিগী পিটিস্নরনা চীংঙামথক য়ুম্নাম লৈকায়দগী লাইপুবম উষাকিরন (৫৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ব্রজমনিনি। মহাক্কী পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা এদ্যুকেসন (এস) কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি অমসুং দিরেক্টরনি।

কেস অনীমক্কী পিটিস্নরশিংনা কোর্টতা কুমজা ২০১৯ অমসুং ১৮দগী হৌনা ৰাকৎলকখিবনা মখোয়বু মরী লৈনরিবা লোয়শঙ অসিনা তোঙান তোঙানবা চহীশিংদা থোকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না মান্নদবা গ্রেদশিংদা এদহোক বেসিসতা থা ৩ অমসুং ৬কী ওইনা ওজাশিংগী এপোইন্টমেন্ট পীদুনা থবক তৌহল্লকখিবনি। অদুগা মখোয়না এদহোক ওইনা থবক পুনবগী মতম থেঙ্খাং নাইনা শাংদোক্তুনা পুহল্লকখিবনি হায়রি।

লোয়ননা ষ্টেট কেবিনেটনা নবেম্বর ২৯, ২০১৬তা লৌখিবা ৰারেপকী মতুংইন্না এদ্যুকেসন (স্কুলস) দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা এদহোক এমপ্লোয়ী ৫০২গী সর্ভিসশিং রেগ্যুলরাইজেসন তৌনবগীদমক স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা স্পেসল ক্লাস - থ্রী দি পি সী অমা কন্সটিট্যুট তৌখিবনি হায়রি।

মসিগীদমক লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল অমসুং ফাইনান্স দিপার্টমেন্টতগী দিসেম্বর ২৭, ২০১৬তা কনরেন্স লৌখি। লোয়ননা দিসেম্বর ২৮, ২০১৬তা দিরেক্টর ওফ এদ্যুকেসন (স্কুলস) না থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না লোয়শঙ অসিগী এদহোক এমপ্লোয়ী ৫০২বু রেগ্যুলরাইজেসন তৌনবগীদমক দি পি সী অসি দিসেম্বর ৩০ অমসুং ৩১, ২০১৬তা পাঙথোক্লবা লেপখি হায়রি। এদ্যুকেসন দিরেক্টরগী নোটিফিকেসন অসিনা এদহোগ এমপ্লোয়ী ৫০২ অসিবু স্পেসল ক্লাস -থ্রী দি পি সী অসিদা মরী লৈনবা মখোয়গী দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা শরুক য়ানবসু খঙহনখি। নোটিফিকেসন অসিনা পীখিবা এদহোক এমপ্লোয়ী ৫০২গী মনুংদা হায় কোর্টতা কেস ফাইল তৌরল্লিবা কেস অনীমক্কী পিটিস্নরশিং অসিসু য়াওখি হায়রি।

অদুগা দি পি সী অসি পাঙথোক্লবা মতুংদা লৈঙাক্তগী অয়াবা লৌনবগীদমক জন্যুৱারী ১১, ২০১৭তা দি পি সী অসিগী প্রোসিদিং থাগৎখি। দি পি সীগী প্রোসিদিং থাগৎলবা ফাওবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তৌফম থোকপা থবকশিং তৌরক্তে হায়দুনা হায় কোর্টতা ঙসি জজমেন্ট পীরিবা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭৩ ওফ ২০১৯গী পিটিস্নরশিংনা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৬ ওফ ২০১৮ ফাইল তৌখিবসু লেখ্রে। অদুবু কোর্টনা পিটিস্নরশিংনা মমাঙথক্তা ফাইল তৌখিবা কেস অদুগা দব্লিয়ু পি সী নম্বর ৯১৬ ওফ ২০১৭কা পুন্না লৌখৎতুনা খন্নরগা লোয়শঙ অসিগী এদহোক এমপ্লোয়ী ৫০২বু রেগ্যুলরাইজেসন পীনবগী থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা মে ২, ২০১৮দা দিরেক্সন পীখি হায়রি।

অদুবু লাইবক থীবদি এদহোক এমপ্লোয়ীশিং অসিবু রেগ্যুলরাইজেসন তৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা স্পেসল দি পি সী অদুবু অয়াবা পীবিনবা থাগৎখিবা রেক্কমেন্দেসন অদু দিসেম্বর ৭, ২০১৮দা জোইন্ট সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন-এস) না থোকপা ওর্দর অমনা ককথৎলকখিবনি হায়রি। মসিদগী পিটিস্নরশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা কেস অনী অসি ফাইল তৌরক্তুনা চহী ২০দগী ২৩ ফাওবা এদহোক ওইনা মথৌ পাঙথোরক্লিবা মখোয়বু রেগ্যুলরাইজেসন তৌহনবীনবা হায় কোর্টতা লোগী ওইবা লান শোক্লদুনা লাকখিবনি। কেস অনীসি কোর্টনা লৌখৎতুনা মসিগী ৰায়েল চত্থখিবদা অহানবা কেস অসিগী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপখি অদুগা অনীশুবা কেস অসিগী পিটিস্নর অমগী মায়কৈদনা কাউন্সেল অহন্থেম রোমেনকুমারনা লেপখি। গভর্ণমেন্ট ওফিসল রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপখি।

কোর্টনা কেস অনীমক পুন্না লৌখৎতুনা চত্থরকখিবা মসিগী অরোইবা হিয়ারিংনা ওক্টোবর ২১, ২০২১দা পাঙথোকখি অদুগা নুমিৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা কেস অনীমক্কী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরনা ঙসি পীখিবা পুন্না লমায় ৩০ পানবা কম্মন জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা এদহোক এমপ্লোয়ী ৫০২ অসিবু রেগ্যুলরাইজেসন তৌনবগীদমক কেবিনেটনা লৌখিবা ৰারেপকী মতুংইন্না পাঙথোকখিবা স্পেসল ক্লাস-থ্রী দি পি সী অদুগী রেক্কমেন্দেসন অদু কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা লৈঙাক্কী পোলিসি অমা ওইবনিনা খন্নরগা থবক্তা পাঙথোক্কদবনি হায়বগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রিবা দি পি সী অদুগী অয়াবা লৌনবা থাগৎলুবা রেক্কমেন্দেসনবু ককথৎলকখিবা জোইন্ট সেক্রেটরি (এদ্যুকেসন-এস) কী ওর্দর অদু ক্কাশ তৌদুনা চৎনহন্দনা থম্লে হায়খি। অদুগা কেস অনীসিগী ঙসি কোর্টনা পীরিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না স্পেসল ক্লাস - থ্রী দি পি সীগী জন্যুৱারী ১১, ২০১৭তা এদ্যুকেসন দিরেক্টর-এসনা ইখিবা চেরোল অদু খন্নগদবনি অমসুং ওর্দর অসি ফংবা নুমিৎতগী পারগা থা ১গী মনুংদা কেস অনীমক্কী পিটিস্নরশিং অসিবু রেগ্যুলরাইজেসন তৌনবগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকদবনি হায়নসু খঙহনখি।

নবেম্বর ২৩ : মণিপুরগী অথৌবা ২৩না অন্দমানদা থুংখিবা নুমিৎ...

*লামায় ১গী মখা...*অথৌবশিংগী মনুংদা মহাকসু অমনি। মহাক্কী অশেংবা মমিং চোংথাম নিলমনি কৌই। হৌজিক্লা চেক্কোনগী ত্রাইবেল কোলোনি হায়দুনা খঙনরবা মতম অদুগী নোংথোনবম লৈকায় হায়না খঙনরম্বা মফমদা মহাক কুমজা ১৮৩৬তা পোকখিবনি। ময়াম্না অঙাংতোন হায়রগসু খঙনবা চোংথা মেজরগী অপোকপগী মমিং চোংথাম খেলা কৌই অদুবু ময়াম্না খেলা অপাইবী হায়রগসু খঙনখি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা নিংথৌ পানবা মণিপুর ওইবগী হৌনবা থাঙ-তা অমসুং শরিৎ-শরাৎ য়াওনা শা-লানগী মহৈশিং হৈতবা য়াদবদগী অপোকপনা নিংথিজনা তমহল্লকখি। মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদুদা মশাগী চহী ১৪দগীনা ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা পুম্নমক লৈবাক্কী থৌদাং পুদবা য়াদে। অদুগা মশাগী চহী ৩০ শুরবা মতুংদগীনা মশক নাইবা ফম পুবগী অয়াবা লৈখি।

অথৌবা চোংথা মিয়া কুমজা ১৮৭২গী সেপ্টেম্বরদা শগোল হিদংগী থৌ পুরিঙৈদা চত্থখিবা ৰায়েল অমা শোয়বদগী কৈশুমশঙদা নুমিৎ ১০নিসু লৈখিবা মীতৈ লাম্নীনি। অদুবু মহাক সেপ্টেম্বর, ২৬, ১৮৭২দা কৈশুমশঙদগী থাদোকই হায়বা ৰাফম চৈথারোল কুম্বাবদা ইরম্লি। ওগষ্ট ১, ১৮৮১দা নিংথৌ চন্দ্রকৃতিনা মহাকপু টোপ মেঙোরগী ফম পুহনখি। অদুগা মঙোন্দা অয়া পুরেলগী ফম পীরম্বসিনা নিংথৌ সুরচন্দ্রগী মতমদনি। অয়া পুরেল হায়রিবা ফম অসি অৰা লানগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পুবা নিংথৌগী শক্লাইরবা মিনিষ্টর হায়বনি।

জোনষ্টোনগী 'মাই থ্রী য়রস এক্সপরিএন্স ইন মণিপুর এন্দ নাগা হিলস' হায়বা লাইরিক্কী মতুংইন্নদি মহাক্কী মমাঙদা ফম অসি থাঙ্গাল মেঙ্গোরনা পুরম্মী হায়। অদুবু থাঙ্গাল মেজরগী মনীং তম্বা মতৌদগী ফম অসি মঙোন্দা পুহন্নিংদদুনা মে ২৬, ১৮৮৫দগী থাঙ্গাল মেঙ্গোরদগী অয়া পুরেলগী ফম লৌথোক্লগা চোংথা মিয়াদা পুহনখিবনি হায়রি।

মহাক্কী শা-লানদা হৈথোই-শিংথোইবা খক্তা নত্তনা মতম অদুদা সিলচরগী চা বগানগী মপু বৃটিশশিংনা শগোল কাংজেগী হৌরকফম ওইরিবা মণিপুরগী কাংজেরোয়শিংগা শগোল কাংজে শান্ননবা হায়রকপদগী মহাক্লা লুচিংদুনা শগোল ১৫০ অমসুং কাংজেরোয় ময়াম পুদুনা সিলচরদা দিসেম্বর ১৬, ১৮৮২দা চৎলগা জন্যুৱারী ১৫, ১৮৮৩দা মায় পাক্লা হল্লকখিবা মীওইনি। মতম অদুদা মণিপুরগী নিংথৌনা মেম্বর ৮না শাবা তোপ গারোদ লিংখৎখি হায়রি।

অদুবু চৈরক্তুদা সেপ্টেম্বর ২১, ১৮৯০গী অহিংদা নিংথৌ মচা মশেলগী মনুংদগী অঙৌসনা অমসুং জিলাঙম্বনা নিংথৌ সুরচন্দ্রগী মথক্তা লান হৌরম্মী। মসিদগী পোকমিন্নবা মনাওনুপা পাকাসনাগা লোয়ননা বৃটিশ রেসিদেন্সতা চেনশিনখিবনি অদুগা পোলিটিকেল এজেন্ট মিষ্টর গ্রিমরূদকা ৰা তানখিবনি। নোংঙাল্লমদাইদা নিংথৌ সুরচন্দ্রগা পোকমিন্নবা মনাওনুপা কিশোরজিৎ অমসুং গোপালসনা য়াওনা অতৈ অঙম অথৌ পুম্নমক নিংথৌগী মনাক্তা লাকখিবদা চোংথা মিয়া য়াওখিদে অমসুং মহাক লান হৌরকপশিংগী মরক্তসু য়াওখিদে।

মিষ্টর গ্রিমরূদকা ৰারী শানবদা ৰারোইশিন পুরকপা ঙমদবদগী নিংথৌ সুরচন্দ্র ফম থাদোক্লগা বৃন্দাবনদা লাই নীংলুরগে হায়দুনা মহাক্কী লুপাগী থাঙ অমসুং কোকয়েৎ টিকেন্দ্রজিৎতা শীন্নরম্বনি। অদুগা বৃটিশ ইন্দিয়াদা নিংথৌগী ফম মুনবীখিবা অসি হঞ্জিনহনবীনবা চে থারম্বনি। সুরচন্দ্রগী মতুংদা নিংথৌ কুল্লচন্দ্রনা ফম্বাল কাখি। লোয়ননা অনৌবা নিংথৌগী মখাদা তপ্পা তপ্পা শেমগৎলকপদগী য়ুবরাজ ওইরক্লবা টিকেন্দ্রজিৎ ফানবা বৃটিশনা হোৎনরকপদসু মায়থীবদগী বৃটিশনা য়ুবরাজ কোনদা মায়কৈ অহুমদগী লান্দারকখিবনি। বৃটিশকী লান্দা অদু থেংননবা নিংথৌনা মায়কৈ পুম্নমক্তা মৈতৈ অঙম্বশিং থাখিবদা চোংথা মিয়াসু য়াওখি অদুবু অতৈ অথৌবশিং বৃটিশকী মখুৎতা শিশ্রবা মতুং চোংথা মিয়াদি তেক্তা কায়দনা হল্লকখিবনি।

অসুম্না মণিপুরগী লৈঙাকলোন্দা বৃটিশনা ফিরিঙ্গি লমলৌ তৌদুনা খূৎ থিংজিল্লকপগী মায়োক্তা থৌনা ফন্না লেপখিবা চোংথা মিয়াবু বৃটিশনা ফাবা ঙম্বা মীওইদা লুপা লিশীং ৩গী মনা পীগনি হায়নসু লাউথোকপা লৈখি। তশেংনমক হৌজিক খোংজোমদা তেঙ্গোল লম্পাক হায়দুনা খঙনরিবসি চোংথা মিয়ানা লুচিংবা মীতৈ লাম্নীশিংগা বৃটিশকা শোক্নখিবা লানফমনি হায়রি।

অদুবু মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবগী লানফম অদুদা মণিপুরগী লাম্নীশিং মায়থীবদগী অন্দমান অমসুং নিকোবরগী কলাপানিদা নবেম্বর ২৩, ১৮৯১দা লোই থাখিবা নিংথৌ কুল্লচন্দ্র য়াওনা মীতৈ অথৌবশিংগী মনুংদা মহাকসু অমা ওইখিবনি।

মফম অদুদা লোই থাখিবা মীতৈ অথৌবশিং খরনা হাৎখিবা য়াওরবসু মে ২৬, ১৮৯৬তা থাদোকখি অদুবু মখোয়বু মমা লৈবাক মণিপুরদা চঙবদা অথিংবা থমখিবনা চোংথা মিয়া বৃন্দাবনদা লাক্কুনা লৈখি। মদুগী মতুংদা ত্রিপুরাদা চোংথাম শাগৈগী মীওইশিং লৈবদগী মফম অদুদা চৎখি। ত্রিপুরাগী অগরটালাদগী কিলোমিটর ১০ রোম চৎলগা লৈবা নরায়ন খানাদা লৈরম্লবা মতুং মহাক জন্যুৱারী ১৭, ১৮০৮দা লৈখিদবনি হায়রি।

অদুবু হয়েং হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদি কলাপানিগী জেলদা লৈখিবা অমসুং থাদোরক্লবসু মণিপুরদা চঙলকপদা অয়াবা পীদবদগী থাদোরক্লবশিংগী পোকপা অমসুং লৈখিদবা নুমিৎশিং অমগা অমগা অমত্তা মান্নখিদবনা হয়েংগী থৌরম অসি মীতৈ অথৌবা ২৩না নবেম্বর ২৩, ১৮৯১দা কলাপানিদা থুংখিবা নুমিৎ অদু লৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়রি।

হোম মিনিষ্টরনা রানি ...

লামায় ১গী মখা... থৌদাংশিংবু নীংশিংলদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ম্যুজিয়মশিং শাগৎনবগী থবক পায়খৎলকপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ত্রাইবেল এফেয়রস অর্জুন মুন্দাবু তৌবীমল খঙবা উৎখি।

ম্যুজিয়ম অসিনা নীংশিংবীদ্রবা মণিপুরগী ত্রাইবেল হেরোশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎলগনি অমসুং মখোয়না তুংগী মীরোলগীদমক হোৎনরম্বা অমসুং কৎথোক্লম্বশিংবুসু ময়েক শেংনা খঙহল্লগনি হায়খি। শাগৎকদৌরিবা ম্যুজিয়ম অসিমক লৈবাক অসিবু শাগৎলকপদা লৌখিবা থৌদাংশিংনি অমসুং মসিগী পুৰারীদা চাওথোকচবা পোক্লগনি হায়খি। ম্যুজিয়ম অসিদা মরু ওইবা পুৰারীগী ওইবা পোৎলমশিং, চে-চাংশিং অমসুং অতৈ পোৎলম পুম্নমক খোমজিন্দুনা ঙাক শেল্লগা থল্লগনি হায়খি। রানি গাইদিনলিয়ু অসি মশা মথক্তগী ওইবা ৰাখল্লোন্দা বৃটিশ এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়োক্তা নন কোওপরেসন মুভমেন্ট চত্থখিবা মীওইনি হায়রদুনা এঙলো মণিপুর ৰার, ১৮৯১গী মতুংদা অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎতা লোই থাবদগী থরায়না পোম্বা ওইখ্রবা অথৌবা ১৮গী নীংশিং যুম্বী অমসু য়ুংলে হায়খি। লৈবাক অসিগী পুৰারীদা মণিপুরগী মরু ওইবশিং পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মোইরাংগী আই এন এ মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা ইহান হানবা ওইনা লৈবাক অসিগী লৈমায়দা ইন্দিয়ন নেসনল আর্মিগী ফিরাল পাইহনখি হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা ষ্টেট লৈঙাক্লা আই এন এ মেমোরিএল কমপ্লেক্সকী অকোয়বদা লৈবা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা বোম থাদখিবা মফমশিং অদুবুসু পুৰারীগী মফম অমা ওইনা শেমগৎতুনা থম্ননবা লৌশিল্লে। মহাক্কী লৈঙাক্লা লৈবাক অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমসুং লৈবাক নুংশিবগী ৰাখল্লোন মণিপুরগী মীয়ামদা পোকহন্নবা হোৎনরি হায়খি। থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর (ত্রাইবেল এফেয়রস) অর্জুন মুন্দানা অসিগুম্বা ফ্রীদম ফাইটরশিংনা হোৎনখিবা কয়া অদুনা ঙসি লৈবাক অসিনা মনীং মখা তম্না ফংলিবনি হায়খি। মরম অসিনা হৌজিক্তি লৈবাক অসিনা নীংতল্লকপগী চহী ৭৫ শুরকপগী থৌরম পাঙথোকপা ঙম্লে হায়রদুনা রানি গাইদিনলিয়ুবু নীংশিংবা ওইনা ত্রাইবেল ফ্রীদম ফাইটর ম্যুজিয়ম শাগৎনবা ফিরেপ লৌরকপনি হায়খি। শাগৎকদৌরিবা ম্যুজিয়ম অসি মতম চানা লোইশিন্নবগীদমক মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা মণিপুর লৈঙাক্লা খুৎশম্ননা হোৎনগনি হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোকখি। থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মরু ওইবা মীওইশিংনা রানি গাইদিনলিয়ুগী অয়েকপা শক্তমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

রেভিন্যু লোয়শঙবু লেন্দ রিসোর্সেস...

লামায় ১গী মখা... হেনগৎপদসু অয়াবা পীখ্রে। কেবিনেট মীফম অদুনা অতোপ্পা এজেন্দা কয়ামরুমসু খন্নখিবগা লোয়ননা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলশিংগী মেম্বরশিংনা মখোয়গী মতম লোইখ্রবসু ইন-চার্জ ওইনা অদুম্মক থবক পুহল্লগা অসিগুম্না তম্পাক্তা লৈরিবা অর্বান লোকেল বোদি ২৬তা লৈরিবা কাউন্সীলরশিংসু মখোয়গী মতম লোইখ্রবসু মখোয়গী জুরিসদিক্সনদা লৈবা থবকশিং ইম্পৰার তৌহন্ননবসু কেবিনেটনা ৰারেপ লৌরে।

সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা মতম-মতমগী ওইনা পায়খৎপা থবক থৌরম কয়াদা মশাগী তৌফম থোকপা থবকশিং অদুদগী অহেনবা কয়া হাপচিন্দুনা থবক তৌরিবা অঙ্গনৰাদি ৰার্কর অমসুং হেল্পরশিংগী থাগী ওনরেরিয়ম হেনগৎহনবদসু কেবিনেট মীফম্না অয়াবা পীখ্রে। অঙ্গনৰাদি ৰার্করগী ওইনা থা অমদা লুপা ৪৫০০ ফংলম্বা অদু লুপা ১০০০ হাপকৎলগনি। অদুগা হেল্পরগীনা লুপা ২২৫০ ফংলম্বা অদু লুপা ৬০০ হাপকৎলগনি। হন্দক্তা পদ্মশ্রী এৱার্দ ফংখ্রবী ফুটবোল্লর ওইনাম বেমবেমবু ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাকপু ষ্টেট লৈঙাক্লা দি এস পিগী ফম পীবদসু অয়াবা পীখ্রে। লোয়ননা বোক্সর শমজেৎশাবম সুর্জবালাসু হোম দিপার্টমেন্টতা ইন্সপেক্টরগী ফম পীনবসু কেবিনেট মীফম অদুনা লেপ্পখি হায়নসু মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কে সী পিনা রেদ সেল্যুট পীরক্লি...

লামায় ১গী মখা... (কে সী পি) গী সেক্রেটরি ইন চার্জ (ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি) এস মঙালগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায় কমরেদ খুমন মৈতে মশাগী চহী ১৪ শুবদগী য়াওল লাম্থেংগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লকখি। পুন্সিগী অরোইবা মীকুপ ফাওবা য়াওলগী লম্বীদগী খোঙফম অমত্তা হোৎনদা লুপকী অমদি লৈবাক্কী থৌদাং কয়া লৌবীরম্বা কমরেদনি। কুমজা ২০০৬কী পার্টি নেসনল কোংগ্রেস মতুংদগী কেম্প সি ওগী থৌ কুইনা পুরম্মী। কুমজা ২০১৪দা ইন্টরিম সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মেম্বর ওইদুনা লুপকী লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী সেক্রেটরি ইন চার্জ ওইরম্মী। অসুম্না কুমজা ২০১৫দগীনা অরোইবা মীকুপ ফাওবা দেপ্যুটি ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইদুনা পার্টিগী মপুং ওইবা থৌদাং কয়া পুবিরম্মী হায়রি।

ঐখোয়গী নুংশিখিবা কমরেদ অসি মায়কৈ অমদা লমদমসিগী ইপানাৎ ইপুনাৎপু য়োকখৎতুনা কংলৈ খুন্নাইগী শক্তম কন্নবা কন্না হোৎনজরম্বা মীশকনি। কুম খুদিংগী শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা, ইমোইনু অহোঙবী ইমাগী থৌরমনচিংবা মহাক্লা থরায় য়াওনা পাঙথোক্লম্মী। ওজা গোসে মৈতৈদা খুনুং ঈশৈ তল্লকখিবগী ৰারীসু তৌরম্মী। অঙাং ওইরিঙৈ অপোকপী ইমাগী মপাম কৈরাওদা লৈরিঙৈদা লৌউ-শিংউগী থবক ইনখাং অমদি য়ুম কৈ শাবা নিংথিনা হৈরকখি। লৌমী ওইনা লৌ খুলং কুম্লকখি। শিন্নী ওইনা য়ুম কৈ শাবা চৎলকখি। লৌমী-শিন্নীশিংগী অৰা অনা পুন্না হকথেংননা খঙলকখি। মসিনা মহাকপু লৌমী শিন্নীশিংগী মীচন্দা লেপকদবনি হায়বা পার্টিগী ৰাখল্লোন অমদি পোমিৎলোন্দা খোঙফম হেন্না চেৎশিনহনখি। কমরেদ খুমন মৈতৈগী মফমদা পার্টিগী ফিরাল তঙ্খাই চিংথদুনা, রেদ সেল্যুদ পীদুনা সী ঐচ ক্যু, জি ঐচ ক্যু, পার্টিগী য়ুনিটশিং, মীয়ামগী ফিঙাং লাম্নীগী কেম্পশিং অমদি অতৈ মোবাইল য়ুনিটশিংদা য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎখি অমদি লৈখিদ্রবগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি হায়রি।

ঙসিদি ঐখোয়গী ইরক্ত হাঙদুনা লৈহৌরবা মহাক্কী মফমসে মেনশিনবা ঙমদনা অদুমক লৈহৌরগনি। মহাক্লা মঙজরম্বা নীংতম মঙলান মঙফাওনবা ঙমদনা পুন্সি চেংজেল লোইখিবনা হানখ্রবসু তুংদ লাক্কদবা নীংতম খোঙ্গুল লীবা কয়াগী লম্বীদি মহাক্লা ফাৎলম্মী। কমরেদ খুমন মৈতৈ নহাক্কী নফমদা থম্মোয় শোক্লা অৰাবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা অরোইবা ওইনা রেদ সেল্যুট পীজরি হায়রি।

আর পি এফনা অৰাবা ...

লামায় ১গী মখা... নবেম্বর ২৫, ২০১৯দা আর্মি নম্বর ৩৩৩৬ পীখি। লৈখিদ্রবা প্রাইভেট নোংফাই ইমা লৈবাক মণিপুরবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা চীংমী তম্মী খায়দবা অপূনবা মণিপুরগী খঙবা নীংতম লাম্নী অমা ওইবগা লোয়ননা মরূপ অসি য়াম্না ঈং-তপ্পা, পুকচেল শেংবা, থকসি খাসি ফজবা অমদি মনীং মখা তম্না হিংবা পামজবা থৌনা ফবা মরূপ অমনি হায়রি।

অথৌবা মরূপ প্রাইভেট নোংফাইনা ইমা লৈবাক্কীদমক থরায় কৎখিবা অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম (কোন্দোলেন্স) আর পি এফকী য়ুনিট, দিপার্টমেন্ট অমসুং ষ্টেসন খুদিংমক্তা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবা মরূপ অসিগী ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরূপ-মপিজাগী অৰাবদসু আর পি এফ অমদি মসিগী লাম্নী শঙলূপ পি এল এনা শরুক য়াজরি হায়রি।

এন পি পিনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট ওইদুনা মণিপুরদা লৈঙাক শেম্লগনি ...

লামায় ১গী মখা... নত্তনা নোর্থ ইষ্টকী খোল্লাউ তাবিনবা অমদি পুখৎনবা পার্টি লৈতে। নুমীৎ খরনিগী মমাংদা নেসনল পোলিটিকেল পার্টি অমগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা নোর্থ ইষ্টকী মীওই অমনা নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী নিরগা হিংবনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৰাফম লৈ। ৰাফম অদু তাবদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংবু নুংশিজবা, নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংবু মীপাল তাংদবা চাওখৎপা ষ্টেটশিং ওইদবা য়াদে হায়না হোৎনরিবা মীশক অমা ওইনা য়াম্না নুংঙাইখিদে হায়খি।

থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, এন পি পি মঙলানদি ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংনা ৰাৎত-পাদনা, নুংঙাই-য়াইফনা, চাওখৎপগা লোয়ননা ঈংনা-চিক্লা লৈহনবা অদুনি। ইন্দিয়ানা নিংতম্বা ফংদ্রিঙৈ মমাংদা নোর্থ ইষ্টতা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিং হৌজিক্লা ষ্টেট অমমম ওইনা লৈরিবশিং অসিগী জি দি পি অসুক্কী মতিক ৰাংনা লৈরম্মী। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদগী নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংনা জি দি পি য়াম্না ৰাংনা হেন্না লৈরম্মী। অদুবু নিংতম্বা ফংলবা মতুংদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংগী জি দি পি অসুক্কী মতিক নেমথখি। হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা নোর্থ ইষ্টকী জি দি পি অসি চান্মদা শুপ্পগী অমা ওইরি। মরম অদুনা ঐখোয়গী নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং চাওখৎনবা ঐখোয় পুম্নমক অমত্তা ওইনা চৎমিন্নদুনা ঐখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংনবা অমদি লৌনবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তারি। নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না ফংফম থোকপা রাইটশিং অদু এন পি পিনা ফংহন্নবা হোৎনগনি। মসিদা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্নসু এন পি পিবু শৌগৎপিবা অমদি হেন্না মপাঙ্গল কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরকপা অমা মথৌ তারি। এন পি পিদি শুপ্পগী চহী নিপাল খক্তা ঙাইরিবা পার্টি অমনি অদুবু চহী নিপাল অসিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী রিজনেল পার্টিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা নেসনল পার্টি অমসু ওইবা ঙম্লে। মরম অদুনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংদা এন পি পিগী মীরেপ থাগৎতুনা মণিপুরবু অমদি নোর্থ ইষ্টপু চাওখৎহন্দবা য়াদে, ঐখোয়গী তোঙানবা য়ুনিটি অমা লৈতবা য়াদে হায়না চোংথোরক্লিবা কেন্দিদেটশিংবুসু লমদম অসিগী মীয়াম্না ভোট কাহনবিদুনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংবু চাওখৎনবা অমদি ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নগা লোয়ননা ঐখোয়গী আইদেন্টিটি ঙাকচবা ঙম্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা য়াইস্কুল এ সীগী এন পি পিগী মীরেপ ওইরিবা ঐচ বিক্রমজিৎনা হায়, য়াইস্কুল এ সীগী মীয়াম্না মায়োক্নরিবা অৰাবশিং অমদি থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া কোকহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা এন পি পিগী মঙলান অমা ওইরিবা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অমত্তা ওইনা য়ুনিটি লৈনা হিংমিন্নবা ঙম্নবা অমদি ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী মনুংদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংনা খ্বাইদগী চাওখৎপা মফম অমা ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। মসিদা মীয়ামগী মীনুংশিংগী থৌজালগী মথৌ তাই। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা য়াইস্কুল এ সীগী মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপিয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এন পি পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অমসুং তদুবি এ সীগী এম এল এ, এন কায়সি; নেসনল ভি পি অমদি দেপ্যুটি সী এম, ৰাই জয়কুমার; য়াস এন্দ ৰাটর রিসোর্সেস লেটপাউ হাউকিপ; সী এম মেঘলায়গী এদভাইজর অমদি এম এল এ থোমাস সংমা; মেঘলায়গী এম এল এ মার্ক্যুজ এন মরাক; ক্ষেত্রিগাউ এ সীগী এন পি পিগী মীরেপ ওইরিবা শৈখ নুরুল হসন; এন পি পি মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনেষ্ট্রেসন রুসেল হৈস্নাম; এন পি পি য়াইস্কুল ব্লোক কম্মিটিগী পিঐচ গুনেশ্বর অমদি য়াইস্কুল ৰিমেন ব্লোক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থাংজম কৈনাতোম্বিসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা ঙসি ক্ষেত্রিগাউ এ সীগী ক্ষেত্রি ময়ায় লৈকায়দা লৈবা এ বি এ গ্রাউন্দদা এন পি পি মণিপুর ষ্টেটনা শিন্দুনা কোনরাদ কে সংমানা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা লোপ্পিং ইলেক্সন কেম্পেন ফোর নেসনল পিপল্স পার্টিগী থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাউ এ সীগী এন পি পিগী মীরেপ ওইরিবা শৈখ নুরুল হসননা ফোঙদোকখিবদা লাক্কদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনদা এন পি পিনা মেজোরিটি ওইনা ভোট কারক্তুনা মণিপুরদা এন পি পিনা লৈঙাক অমা শেম্লগনি। মরম অদুনা এ সী অসিগী মীয়াম্না চহী কয়াদগী ৰাদুনা লাক্লিবশিং অদু কোকহনবা ঙম্লগনি। মসিদা মীয়ামগী তঙাইফদ্রবা অচৌবা মতেং মথৌ তারি। মীয়াম্না এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইহল্লবদি এ সী অসিগীদমক ঐনা তৌগনি হায়খিবা থবকশিং অমদি ঐহাক্লা এ সী অসিবু চাওখৎনবা থমখিবা ভিজন অদু মপুং ফানা পাঙথোক্কনি। করিগুম্বা ভোট কারবা মতুংদা ঐহাক্লা তৌগনি হায়রিবা থবকশিং অসি অকক্লবা মতমগী মনুংদা তৌবা ঙমদ্রগদি পুন্সিদা অমুক হন্না ভোট লেপ্লোই। করিগুম্বা এন পি পিনা মেজোরিটি ওইনা ভোট কারক্তুনা লৈঙাক শেম্লবদি মণিপুরদা হৌজিক য়াম্না কন্না দিমান্দ তৌরিবা সেদ্যুল্দ ট্রাইবকী লিষ্ট চলহল্লু হায়রিবা অসি থবক্তা ওন্থোক্তুনা সেদ্যুল্দ ট্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহনগনি। লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী মনুংদা এ সী ৪০দগী এন পি পিগী মীরেপ পুথোক্লে। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা এন পি পিগী মীরেপশিংনা মেজোরিটি ওইনা ভোট কাদুনা এন পি পিগী লৈঙাক অমা শোয়দনা শেমগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এন পি পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন কায়সি; দেপ্যুটি সী এম, ৰাই জয়কুমার; সী এম মেঘলায়গী এদভাইজর অমদি এম এল এ থোমাস সংমা; মেঘলায়গী এম এল এ মার্ক্যুজ এন মরাক; কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ অমদি এন পি পি মণিপুরগী ৰার্কিং প্রসিদেন্ট এল জয়ন্তকুমার; ৰাঙ্গৈ এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট খুরাইজম লোকেন; য়াইস্কুল এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট হুইদ্রোম বিক্রমজিৎ; এন পি ৰাই এফকী নেসনল প্রসিদেন্ট ৰাই রতিকা; এন পি ৰাই এফকী মণিপুর ষ্টেট প্রসিদেন্ট এল জয়ানন্দা; এন পি পি মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং হৈরোক এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এন দিটেন; শিংজমৈ এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ও রোমেন; মোইরাং এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট টিএচ শান্তি; ময়াং ইম্ফাল এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট য়ু রমেশ; ৰাংজিং তেন্থা এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট য়ু মঙলেম; এন পি পি ক্ষেত্রিগাউ য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট এম দি অব্দুল গফর খান অমদি ৰার্কিং প্রসিদেন্ট মংশাতাবম প্রেমচান্দসু শরুক য়াখি।